## ক্রেম্লিন্না কনফার্ম তৌখ্রে

মোস্কো, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা মরা তপ্পা মওংগী রিজেল্যুসন অমা পুরক্লবা হোৎনবগী থবক য়াংশিনহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা পেরিসতা দিসেম্বর ৯ দা পার্টি মরিনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল সম্মিট অমদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন শরুক য়াগনি হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ক্রেম্লিন্না কনফার্ম তৌখ্রে। ফ্রান্স, জর্মনি, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লুচিংবশিংনা সম্মিট অদুদা শরুক য়াগনি হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্সিনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

## কেফে এটেক্কী ভর্দিক্ট

ধকা, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০১৬ তা থোকখিবা হোলি অর্টিজন কেফে এটেক্কী কেসগী মতাংদা বাংলাদেশকী এন্টি-টেররিজম ট্রাইব্যুনেল অমনা নবেম্বর ২৭ তা ৱায়েল পীরগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি। এটেক অদুদা ফোরেন নেসনল কয়া য়াওনা মীওই ২২ শিখিবনি।

# য়ু এস সাউথ কোরিয়ন জোইন্টস দ্রিলস য়েথোক্লিঙৈদা কিম জোং-উন্না এয়রবোর্ন লেন্দিং ট্রেনিং য়েংশিনখ্রে



সিওল, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন্না এয়রবোর্ন লেন্দিং ট্রেনিং অমা য়েংশিনখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিনা লানগীদমক্তা শেম শাবগী ফিভম ফগৎহনবগী তঙাইফদবা ৱাফমসু পনখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াবু দিন্যুক্লিরাইজে সনগী ৱারী শান্নবদা পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা মখোয়গী লান মতমগী ওইবা এয়র এক্সসাইজশিং য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা কিমগী ফিল্ড গাইদেন্সকা মরী লৈনবা রিপোর্ট অসি লাকখিবনি।

কিম্না কোরিয়ন পিপলস আর্মি (কে পি এ)গী এয়র অমসুং এন্টি-এয়রক্রাফট ফোর্সকী সার্পসুটর সব-য়ুনিটশিংগী এয়রবোর্ন লেন্দিং ট্রেনিং অমা য়েংখি হায়না প্যোংয়াংগী ষ্টেটনা চল্লাইবা কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সী এন এ)গী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা থাঙ্গৈশেংবা লানগা মান্নবা সিম্যুলেটেদ কন্দিসনশিংগী মখাদা রুল অমসুং ফোর্মেলিটিনা শোকহল্লোইদবা মওংদা হান্না খঙহনবা তৌদনা দ্রিল অমা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা লানগীদমক্তা কে পি এ য়ুনিটশিংনা শেম শাবগী ফিভমশিং ফগৎহন্নবগী অমসুং মখোয়বু ট্রেনিং পীবগী খুদোংচাবা অমা পীরগনি হায়না কিমনা ফোঙদোকখি।

নোর্থকী ষ্টেট টি ভিনা শন্দোকপা ফুটেজগী মতুং ইন্না সার্পসুটরশিংনা নারোলদগী চঙশিনবগী ওপরেসনশিংদা শীজিন্নবগীদমক্তা মমিং চৎলবা এন-২ এয়রক্রাফট মানবা প্লেন অমদগী চোংথখি। কিম্না থাংজ নুমিত্তা কে পি এগী এয়র অমসুং এন্টি-এয়রক্রাফট ফোর্সকী কম্বেট ফ্লাইট কন্টেষ্ট ২০১৯সু য়েংশিনখি।

## পাকিষ্টান্না সাহিন-১ মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
পাকিষ্টান্না সর্ফেস-টু-সর্ফেস বলিষ্টিক মিসাইল (এস এস বি এম) সাহিন-১ গী ট্রেনিং লোঞ্চ মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না মিলিটরি স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফুরনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর-সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)গী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিবা মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফুরনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি মদুদি, এস এস বি এম অসি কিলোমিটর ৬৫০ ফাওবগী রেঞ্জতা মখল খুদিংমক্কী ৱারহেদশিং পুবা ঙম্মী।

মিসাইল লোঞ্চ অসি পাকিষ্টানগী ক্রেদিবল মিনিমম দেটরেন্স লৈহন্নবা আর্মি ষ্ট্রেটেজিক ফোর্সেস কম্মান্দ (এ এই এফ সী)গী ওপরেস্নেল রেদিনেসকী চাংয়েং ওইনা পাঙথোকপনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। হৌখিবা ওগষ্টতসু পাকিষ্টান্না অতোপ্পা এস এস বি এম অমা ওইরিবা ঘাজনবিগী ট্রেনিং লোঞ্চ অমা অহিংগী মতমদা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি। ইনৌ নৌবা চাংয়েং অদু পাঙথোকপদা লৈবাক অসিগী আর্মি ষ্ট্রেটেজিক ফোর্সেস কম্মান্দগী সিনিয়র ওফিসরশিংনা য়েংখি।

## গোতাবায়া রাজাপক্সা শ্রিলঙ্কাগী ৭ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



কলম্বো, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোকখিবা শ্রিলঙ্কাগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাকখ্রবা হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর গোতাবায়া রাজাপক্সা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইথৎ লৈবাক অসিগী তরেৎশুবা এগজিক্যুটিভ প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

শ্রিলঙ্কা পোদুজানা পেরামুনা (এস এল পি পি) মীরেপ ওইনা প্রসিদেন্টকী মীখলদা কন্টেষ্ট তৌখিবা রাজাপক্সানা মীখল অদুদা মায় পাকখিবগা লোয়নননা মহাকপু নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু মমাংঙৈগী বুধিষ্ট সিটি অনুরাধাপুরাদা লৈবা রুৱানয়েলিসয়াদা পাঙথোকখি। এস এল পি পি অমসুং ওপোজিসন লিদর মহিন্দা রাজাপক্সা, পার্টিগী চ্যেরমেন জি এল পৈরিস, নেসনল ওর্গনাইজর বাসিল রাজাপক্সা, প্রাইম মিনিষ্টর রনিল ৱিক্রেমেসিনঘে অমদি অতৈ পোলিটিকেল লিদর কয়ানা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

নবেম্বর ১৬ গী মীখল অদুদা থাদনখিবা অপুনবা ভেলিদ ভোট ১৩,২৫২,৪৯৯ কী চাদা ৫২.২৫ নৎত্রগা মেজোরিটি সিনহালাগী ভোট ৬,৯২৪,২৫৫ গোতাবায়ানা ফংখি। দিফেন্স সেক্রেটরি ওইনা ময়াম্বা মহিন্দা রাজাপক্সাগী গভর্নমেন্টতা থবক তৌখিবা গোতাবায়া রাজাপক্সাগী লিচিং মখাদা শ্রিলঙ্কাগী অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা লমদমদা শ্রিলঙ্কানা রেবেল লিবরেসন টাইগরস ওফ টামিল ঈলাম (এল টি টি ঈ)গা চহী ২৬ চুপ্পা শোক্লরকখিবা লান মায় পাকখিবনি।

এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিষ্ট্রিক্ট ২৫গী মনুংদা গোতাবায়ানা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা মায় পাকপা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং মহাক টামিল অমদি মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা প্রোভিন্সশিংদগী শাথিনা মায়থিবা নংখি। নোরদর্ন প্রোভিন্সকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিষ্ট্রিক্ট মঙামক হায়বদি জফনা, কিলিনোকচি, মুলাইটিভু, ভাভুনিয়া, মান্নরগী টামিলশিংনা অমসুং ইষ্টর্ন প্রোভিন্সকী মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম ত্রিনকোমালি, বাতিকালোৱা, অম্পারাদা মীয়াম্না রাজাপক্সাগী মায়োক্তা ভোট পীখি।

## চাইনাগী এয়রক্রাফট করিয়র ০০২ টাইৱান ষ্ট্রেটতা থৌজিনখ্রে



টাইপৈ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
চাইনানা মশানা শাজবা অহানবা এয়রক্রাফট করিয়র ০০২ টাইৱান ষ্ট্রেটতা থাখ্রে হায়না মশানা লৈঙাকচবা ইথৎ অসিগী নেসনল দিফেন্সনা ফোঙদোকখ্রে।

করিয়র অদু হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা য়ু এস অমসুং জপানিজ মিলিটরি জহাজশিংনা কুপশেল শেন্নদুনা লাকখিবগা লোয়নননা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারিদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্টকী মীখলগী রন্নিং মেট লাউথোকখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা বৈজিংনা ষ্ট্রেট অদুদা থাখিবনি।

মীখল অসিদা সাই ইং-ৱেননা রুলিং অমসুং ইনিদপেন্দেন্টস দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিগী মীহুৎ অমা ওইনা লন্বা তৌগদৌরিবনি। ০০২ হায়না খঙনবা এয়রফ্রাফট করিয়র অদু অৱাংলোমদগী খারোমদা মদুগা কোন্নবা ফ্রিগেটশিংগা লোয়নননা থৌজিনখি হায়বসি মিনিষ্ট্রিনা কনফার্ম তৌখি।

টাইৱানিজ আর্মর্দ ফোর্সেসনসু চাইনিজ জহাজশিং ট্রেকিং তৌনবগী সর্বিলেন্স এয়রক্রাফট অতৈ সর্ফেস ভেসেলশিং য়াওবা মখোয়গী জোইন্ট মোনিটরিং মেকানিজম দিপ্লোই তৌখি। খারোম পাংনা লাকখিবা চাইনিজ ভেসেলশিং অদু টাইৱান ষ্ট্রেটকী ইমাজিনরি মিদিয়ন লাইনগী চাইনাগী মায়কৈদা লৈখি অমসুং মদু য়ু এস নেভিগী য়ু এস জি ৱাইনঈ মেয়র (দি দি জি ১০৮) অমসুং জপানগী মরিটাইম সেলফ দিফেন্স ফোর্সকী জে এস সিমাকাজে (দি দি জি-১৭২)না কুপ্না শেন্নদুনা লৈখি হায়না ইফে ন্যুজগী রিপোর্টনা টাইৱানগী মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনল দিফেন্সকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ভেসেলশিং অদু মরিটাইম চাংয়েং পরিং অমা পাঙথোক্ল বগীদমক্তা অহিংদা অৱাংলোমদগী টাইৱান ষ্ট্রেটতা চঙলকখিবনি।

ভেসেলশিং অদু মফমদুদগী বৈজিংনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক কয়াগা লমগী মতাংদা কন্না য়েৎনবা মফম ওইরিবা সাউথ চাইনা সীদা চঙশিনগদৌরিবনি। লোকেল মিদিয়াগী মতুং ইন্না এয়রক্রাফট করিয়র অসি অমুক হন্না টাইৱান ষ্ট্রেট ফাওরগা নোর্থ ইষ্ট চাইনাগী দলিয়ানদা লৈবা ভেসেল অসিগী দিপার্চর হিথাংফমদা অমুক হল্লক্কনি হায়রি।

## ইন্দোনেসিয়াগী পুলিসনা সুইসাইদ বোম্মিংগা ইস্লামিক ষ্টেটনা ইথিল পীবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপকা মরী লৈনৈ হায়খ্রে




জকার্তা, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অমা ইন্দোনেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটনা ইথিল পীবা নেটৱার্ক অমগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী এন্টি-টেররিজম ওফিসরশিংনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা চথখিবা রেইদ অমদা বোম শাবশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে অমসুং মীওই ১০ হেন্না ফাগৎখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা মহৈরোয় অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নোর্থ সুমাত্র প্রোভিন্সকী মেদান সিটিদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমগী মমাংদা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভ পোকখায়হন্দুনা শাথিরবা এটেক অমা চথখি।

থৌদোক অদুদা মশা শিবগা লোয়নননা মীওই ৬ অশোক-অপন নংখি। পুলিসনা অহানবদা এটেক্কর অদু খোঙবু য়াওদনা মথন্তা থবক অদু পাঙথোকচবা মীওইনি হায়না লাউথোকখি। তৌইগুম্বসুং নেসনল পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা মহৈরোয় অসিগা লোয়নননা এরিয়া অদুদা লৈরিবা অতৈ সস্পেক্স ২২ ইস্লামিক ষ্টেটনা ইথিল পীবা জমাহ অন্সরুট দাওলাহ (জে এ দি)গা মরী লৈনৈ হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দোনেসিয়াদা পরিং নাইনা চথখিবা এটেক কয়াগী মতাংদা জে এ দিবু মরাল শীখিবগা লোয়নননা গ্রুপ অসিবু টেররেজিমগী থবক থৌরম কয়া চথবা অমদি মপানগী মিলিটেন্টশিংগা মরী লৈনবগীদমক্তা মমাং চহীদা লৈবাক অসিদা বেন তৌখিবনি। পুলিস স্পোক্সমেন দেদি প্রাসেৎয়োগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না নোর্থ সুমাত্রাদা ওপরেট তৌবা নেটৱার্ক অসি জে এ দিগা হকথেংননা মরী লৈনবগা লোয়না গ্রুপ অসিগী লিদর অমসু ফারে হায়রি।

## হিথাংফমগী চঙফম থিংজিনখ্রে

বস্রা, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী প্রোটেষ্টরশিংনা বস্রা সিটি মনাক্তা লৈবা লৈবাক অসিগী উম কসর কোমোদিটিজ হিথাংফমগী চঙফম অমুক হন্না থিংজিনখিবগা লোয়নননা ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং টেঙ্করশিং চঙহনখিদ্রে হায়রি।

প্রোটেষ্টরশিংগী খোঙথাং অসিনা হিথাংফম অদুগী ওপরেসনশিং চাদা ৫০ ফাওবা হন্থহনখ্রে হায়না সোর্স অনীনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।

অথিংবা পীরিবদু নুংথিলগী মতম ফাওবা চথুবা তারবদি হিথাংফম অদুগী ওপরেসনশিং মপুং ফানা লেপ্পগনি সোর্সশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। হিথাংফম অদু মমাংদা ওক্তোবর ২৯ দগী নবেম্বর ৯ ফাওবা থিংজিনবা লৈখ্রবনি। নবেম্বর ৭ তগীনা ৯ ফাওবদি হিথাংফম অদুগী ওপরেসনশিং মতম খরগী ওইনা চথুবা য়াহনখি।

উম কসর অসি গল্ফ লৈবা ইরাক্কী মরু ওইবা হিথাংফম্নি। হিথাংফম অদুদা মপান্দগী হৱাই-চেঙৱাই, ভিজিটেবল ওইল অমসুং চিনিনচিংবা মরু ওইবা পোৎলম কয়া পুশিল্লক্লবনি। হিথাংফম অসিগী খুথাংদা পুশিল্লকপা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অসি মপান্দগী চানবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদা মপান তাংদুনা লৈরিবা লৈবাক অসিগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইরিবনি। হিথাংফম অদুগী থবকশিং থিংজিনবনা মরম ওইদুনা খোঙজং অসিগী অহানবা চয়োল মনুংদা দোলর বিলয়ন তরুক হেন্না মাঙখি।

## ইরাং কনখৎলকপদগী এসিয়ন এয়রলাইনশিং হোং কোংগী ফ্লাইট হন্থখ্রে



সিদনি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :
হোং কোংদা চথরিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং শাথিবা হেল্লকপা অমদি মীয়ামগী নুংতিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীবগী চাং হেল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা এসিয়ন এয়রলাইন কয়া লাক্লিবা চয়োল খরগী ওইবা সিটি অসিদা পাইগদবা মখোয়গী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে হায়বসি ইন্দষ্ট্রিগী সেদ্যুল্লিং পব্লিকেসন অমনা উৎখ্রে।

রুটস ওনলাইনগী মতুং ইন্না খ্বাইদগী নৌবা সেদ্যুলশিংদা পি টি গরুদা ইন্দোনেসিয়া (পসেরো), ইন্দিয়াগী স্পাইসজেট লিমিলেটেদ, মালেসিয়াগী এয়র এসিয়া গ্রুপ বি ঐচ দি, সাউথ কোরিয়াগী জেজু এয়ার কো. লিমিটেদ অমসুং জিন এয়র কো লিমিটেদ অমদি ফিলিপিন্সকী পি এ এল হোল্ডিংস ইঙ্ক অমসুং সেবু এয়র ইঙ্ককী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে হায়বসি উৎখি।

এসিয়াগী এয়রলাইনশিংনা হোং কোংদা পাইগদবা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌবগী খোঙথাং অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা লাঙ্গোই চল্লবা য়ুনিভর্সিটি অমদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখিবা প্রোটেষ্টরশিংদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পগা লোয়নননা পেট্রোল বোম পায়দুনা পুলিসকা মুক্লরিবা কাঙবুশিং লাকশিন্নবা হোৎনখিবা মতুংদা লাক্লিবনি।

থা তরুক চঙলক্লবা ইরাং অদুগা লোয়নননা য়ু এস অমসুং চাইনাগী লল্লোন ইতিক্কী লান অমনা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অসিদা চহী ১০গী মনুংদা অহানবা ওইনা রিসেসন লাকহনখিবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ হোং কোংনা ওক্তোবর থাগী ওইনা পেসেঞ্জরশিং চাদা ১৩ হন্থবা অমদি সিটি অসিদা পাইরকপা অমদি সিটি অসিদগী পাইখিগদবা ফ্লাইটশিংগী মশিং চাদা ৬.১ হন্থবগী ফিভম রিপোর্ট তৌখি।

ফিভম অসি এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্ট হৌখিবদগী উবা ফংলিবা খ্বাইদগী শাথিবা মওংনি হায়বা য়াই। ট্রাভেল্লর অয়াম্বনা হৌজিক্তি হোং কোংবু মখোয়গী পন্থুং ওইনা খন্নবগী মহুত্তা টাঞ্জিট পোইন্ট অমা ওইনা খন্নবা হৌরক্লে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 1512/SDC/NBL of 2019**
1) Leimapokpam (O) Ibemcha Devi W/o (L) Nanda Singh of Kabowakching. (Share area 0.06 and 0.05 acres from patta No. 397 and patta No. 396 from dag No. 1107 and 1105)
2) Leimapokpam Nanda Singh S/o (L) L. Netra Singh of Ningombam Awang Leikai. (Share area 0.06 and 0.05 acres from patta No. 397 and patta No. 396 from dag No. 1107 and 1105) *-Petitioners*
-Vrs-
(L) Leimapokpam Netra Singh S/o (L) Angou Singh of Kabowakching.
*-O.P.*
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 18/11/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 25 - Kabowakching Patta No. 397, Dag No. 1107, Area 0.40 acre of Ingkhol Class and Patta No. 396, Dag No. 1105, Area 0.30 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোলশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী শরুক্তগী দংকারি নং (১) অমসুং (২) না মথক্তা পল্লিবা মাগী মাগী মফমগী শরুকশিং অসি মখোয়গী মীংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/5327/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 1511/SDC/NBL of 2019**
Langpoklakpam Gunamani Singh S/o (L) Manihar Singh of Langpok Maning Leikai. *-Petitioner*
-Vrs-
(L) Langpoklakpam Rajmohon Singh S/o (L) Thoiba Singh of Langpok.
*-O.P.*
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 18/11/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8 - Kakyai Langpok Patta No. 73 (Old), 457 (New), Dag No. 107, Area 0.44 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/5327/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**
**Ref :- Mut. Case No. 915/SDC/IW -L/2019**
1) Thangjam Premjit Singh S/o (L) Th. Itocha Singh of Sanjenbam Makha Leikai.
2) -do- Tomba Singh S/o (L) -do- of -do- *...Petitioners*
-Vs-
(Late) Thangjam Itocha Singh S/o (L) Ingenjao Singh of Sanjenbam ... OP/Party
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
18/11/2019
Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার থাংজম ইতোচা সিংহ পীতা মৃত ইঙেনজাও সিংহ সাং শঞ্জেনবমগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৬১ - শঞ্জেনবমগী অনৌবা পাট্টা নং ১৪২/২৩৬, দাগ নং ২৬৭/৩০৫, এরিয়া ০.৪০০০০ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।
HL-P/5328/19 ***Sd/- BC to SDC/Lamsang***

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**
**Ref :- Mut. Case No. 581/SDC/NTK/2019**
1) Sapam Kumar Singh S/o (Late) S. Amuba Singh of Naranseina.
2) Sapam Tondonba Singh S/o (Late) S. Amuba Singh of Naranseina. *...Petitioners*
-Vs-
(Late) Sapam Amuba Singh S/o (Late) Sengoi Singh of Naranseina ...Opponent
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Ningthoukhong, the 16th Nov. 2019
নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 48 - Naranseina Village গী Patta No. 330 (O), 286 (N), C.S. Dag No. 1251, an Area 0.10 acre of Ingkhol Class অসি পাট্টাদার Sl. No. মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৩/১১/২০১৯ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি।
HL-P/5139/19 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**
**Ref :- Mut. Case No. 1510/SDC/NBL of 2019**
1. Thingbaijam Shantibala Devi W/o L. Gunamani Singh of Langpok Maning Leikai. (Share area 0.30 acre)
2. Langpoklakpam Suranjoy Singh S/o L. Manihar Singh of Langpok Maning Leikai. (Share area 0.30 acre) *-Petitioners*
-Vrs-
(L) Langpoklakpam Tomba Singh S/o (L) Thambou Singh of Langpok.
*-O.P.*
ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 18/11/2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8 - Kakyai Langpok Patta No. 156 (Old), 460 (New), Dag No. 108, Area 0.60 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১) অমসুং (২) না মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/5327/19 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***